ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১৯শুবা মশীং

# ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লো অহুম

## লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনবা ঙমগদৌরিব্রা

লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমা লৌখৎলকপদা অখন্নবা মীওই কাঙলুপ অমা নৎত্রগা অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোকখ্রে। খরদং পল্লবদা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) পাস তৌখিবা অমসুং নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) চৎনহনখিবগী থৌওং নৌহৌনা নীংশিংবা য়াই খল্লি। মতমদুদা অৱাং নোংপোক লমদম য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবসু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা সী এ এ পাস তৌখি অমসুং এন আর সী চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। হৌজিক্লা অমুক ফার্ম লো অহুম পাস তৌখিবগী মায়োক্তা লৌমী কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈরি। শরুপ্না পল্লবদা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ১৭তা লোক সভানা ৱাথোক ওইরবা বিল অহুম পাস তৌখি। থা অদুমক্কী ২০দা রাজ্য সভানা অমুক পাস তৌরগা থা অদুমক্কী ২৭তা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা এসেন্ট পীরগা বিল অহুম্মক এক্ট ওইনা চৎনহনখি। হায়রিবা এক্টশিং অদুদি দি ফার্মরস প্রদ্যুস ট্রেদ এন্দ কমার্স (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) এক্ট, ২০২০; ফার্মরস (ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওন প্রাইস এসিওরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিসেস এক্ট ২০২০ অমসুং ইসেন্সিয়ল কমোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২০নি। ফার্ম লো অহুম চৎনহনবগী থৌওং অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনদি ইন্দিয়াদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা লৌমীশিংগী খ্বাইদগী মশক থোকপা খোঙথাংনি হায়রি। হৌখিবা নবেম্বর ২০দা পাঙথোকপা রেদিওদা ৱা ঙাংবগী থৌরম 'মন কি বাট'তা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, 'পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি হায়না ৱাশকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনদি লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহন্নবা মঙলান মঙফাওনবা ঙমহল্লে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়র নরেন্দ্র সিংহ তোমারনসু ফার্ম লো অহুম্না লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

নাকল অমরোমদা পঞ্জাব, হরয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশকী লৌমী লিশিং কয়ানা ফার্ম লো অহুম্মক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। লৌমীশিংনা হুমাং তানা লৌফমদগী পুথোরকপা পোৎথোক পুম্নমক লন্নাই লল্লোন-ইতিক তৌবা কাঙবুনা লৈনিংবা মমলদা লৈরগা শেন্দোং ফংনা য়োনখিনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়বসিনা ফার্ম লো অহুম য়ানিংদবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ওইরি। তোঙান-তোঙানবা লৌমীশিংগী লূপ ৩০ হেনবনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বনা শৌগৎপগী মওং অমসু উবা ফংলি। লৌমীশিংনা খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিবসি লৌফমদগী পুথোরকপা পোৎথোকশিং য়োঞ্জনবগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইস শেম্বীদবগী মতাংদনি। এগ্রিকলচর প্রদ্যুস মার্কেট কম্মিটি (এ পি এম সী) নৎতবা লন্নাই লল্লোন-ইতিক তৌবা কাঙবু খরদা পোৎথোকশিং লৈবা য়াহনবগী ৱাফম অমা ফার্ম লো অহুমদা য়াওরিবা অসিসু লৌমীশিংনা য়ানিংদ্রি। হান্না চৎনরম্বা থৌওংদি লৌমীশিংনা লৌফমদগী পুথোরকপা পোৎথোক পুম্নমক লৈঙাক্লা সবসিদি পীরগা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস পীদুনা এগ্রিকলচর প্রদ্যুস মার্কেট কম্মিটিশিংগী খুথাংদা লৈবদুনি। হৌজিক্তি পোৎথোক পুম্নমক লন্নাই লল্লোন-ইতিক তৌবা খরদা হেক্তা লৈবা য়াহল্লবনিনা লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহনবা ঙমগনি হায়বা থাজনদ্রে। ৱাফম অসিদা অখঙ-অহৈ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা মোৎ কয়া পীনরক্লি। ফার্ম লো অহুম য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবশিংগী মনুংদা দেল্লী য়ুনিভর্সিটি, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, গোরখপুর য়ুনিভর্সিটি, রাজস্থান য়ুনিভর্সিটি, গুজরাত য়ুনিভর্সিটি, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স, ইন্দিয়ন ষ্টেটিষ্টিটিকেল ইনষ্টিট্যুট, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট, য়ুনিভর্সিটি ওফ জোহনেসবর্গ, য়ুনিভর্সিটি ওফ ওসলো, য়ুনিভর্সিটি ওফ মাসচুসেটস অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গকী অখঙ-অহৈ কয়া য়াওরি। ফীভম অসিদা ফার্ম লো অহুম্না লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনবা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা হুমাংমল অরেম্বা তাহনগদৌরিব্রা হায়বদু য়েংবা তারি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২

১) মণিপুরীবু বি এদা ভর্নিকুলার সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবা লৈখিবসি করম্বা চহীদগীনো?

২) মীতৈ অমনা সাহিত্য একাদেমিগী বেঙ্গলিগী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো অমসুং করি লাইরিকপু করি হায়না হন্দোকপদা ফংবনো?

৩) "চে মতৎ অসিগীদমক্ /ৱানরিবনি, কপ্পরিবনি,/ঈ দান্ তৌনরিবনি/মীনাই য়োহ্লিং থাংনরিবনি/খল্লিঙৈ লম্বী ময়ায় 'দুদা,/ শাথীরবা হোর্ণ অমনা,/ইন্থোরকপগুম্ তৌখি ঐহাকপু/লম্বীগী চিদাই 'মদা।"
শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করম্বা শৈরেংদগীনো অমসুং করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) মখাদা পীরিবা শৈরেং মতেকসি অরিবা লাইশোল অমদগীনি, করি লাইশোন্দগীনো? "লহাননোং হয়িঙৈদা মপা মচল/তাওবীনা থিংনা লাইরেন য়ুকৌএ।।/ঈথিং লাইরেন তাওরোইনাই-ও/তুবী নউন মাবু হুবীরম-ও/লাইরেন নতাংমাবু শিৎপীরম্মো।।"

৫) হিজম গুণ সিংহগী করি করম্বা লাইরিকপু যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল করি চহীদা পীখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. আলু মনাগী মতাই থংবা শরুক অনীমক কোনখৎতুনা লৈ। মনাশিংদু লুমথরকপগী মওংদা হিকথনা লৈরিবসিবু করম্না ফহনবা ঙমগদগে?

\- অমুয়াইমা, অহল্লুপ

☞ আলু মনা কোনশিনবগী মরু ওইবা মরম অনীনি। লিফ রোল ভাইরসনা থোকহনবা লায়না অমসুং কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়না ওইবা য়াই। ফৈদোম অমগী মনুংদা য়াম্না লন্না-লন্না মরক মরক্তা য়াওরকপা ওইরবদি ভাইরসকী ওইগল্লি। মসিগীদমক Control মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। মখা শন্দোরক্তনবা।

ফৈদোমগী মচি অমদগী পাক্তক্লা শন্দোরকপা ওইরবদি কেলসিয়ম ৱাৎপগী ওইগল্লি। মসিগীদমক Calcium Nitrate (Agricultural grade) গ্রাম ৭৫-১০০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

Q. লফুনা মপাল শাৎপদগী লফোই মপূং ফাবা ফাওবা মতম কয়া য়াম্না চঙবগে? ঐগী লফোইশিং অসি মতম কা হেন্না চঙবগুম তৌই। অদুগা লফোইশিংগী মকুদা অমুবা মরী-মরী চৎপী তীলনা চাখিবগী অমুবা দাগ ময়াম অমা লৈ। ওর্গানিক ওইবা হীদাক ওইনা তাকপীরকউ।

\- ডেনিয়েল, কোনাইতোং, মচি ৱ্লোক

☞ লফু মপাল শাবদগী লফোইনা মপূং ফাবা ফাওবদা থা মরিদগী তরুক ফাওবা চঙই। মসি লফু মখল, অইং-অশা অমসুং শেম্বী শাবীবগী মখা পোল্লি। নিংথম থাদা মপাল শাবসি মপূং ফাবদা মতম চঙই।

লফোই মাঙহন তাকহল্লিবা তীলশিং অমত্তা তাদনবগীদমক হীদাক কাপত্রবসু বেগ্গিং (Bagging) তৌশিনবা য়ারে। মসিগীদমক Non woven cloth না শেম্বা Banana Cover শীজিন্নদুনা তীল অমত্তা চঙহন্দবা য়াই। মঙাল অমসুং নুংশিৎ মরাং কায়না চঙবা ঙম্বা অদুগা তীলদি চঙবা ঙমদবা বেগশিংনি। মমল হোঙই, য়াঙঙী, শীজিন্নবা নুংঙাই।

Q. Straw berry থাবা হৌজবদা ঙাইরি। য়াম্না মরু ওইবা চেকশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফমশিং - তীল লায়না অমসুং ঈশিং চনবগী মরমদা খরদং খঙজনীংই।

\- জোয়কুমার, কুম্বী

☞ ষ্ট্রো বেরি থাবদা মরু ওইনা পোলি মলচ প্লাষ্টিক্লা ফৈদোমশিং কুপশিনগনি মসিনা নাপী হৌহন্দে, ঈশিং মাঙহল্লরোই অমসুং মহৈশিং লৈবাক্লা থেংনহল্লরোই অমসুং Gray mold rot তাবা হন্থহনগনি। অতোপ্পা চেকশিন্নীংঙাই ওইবশিংদি Verticillium wilt (খুইথবী লায়না) অমসুং নেমাচোর্দনি। ককচেংশিংনসু অকায়বা য়াম্না পী।

মখোঙ ঈশিং হেন্না চোৎপনা নৎত্রগা হেন্না কংবনা পাম্বীগী শাহৌদা অকায়বা পী, চেকশিনবা চঙই। Drip irrigation তৌগনি। পাম্বীদা ঈশিং পীবদা হেনজিন্না ময়োন অমসুং মখোকৱাইদা চোৎহনবদগী Crown rot থোকহল্লি। পাম্বীশিং থাদ্রিঙৈদা য়াম্না কূপ্প খঙবা চঙই।

Q. ঐহাক্কী য়োংচাক ফুট ৩০ মুক ৱাংই, চহী নিপাল্লোম ফারে। হন্দক থা ৩/৪ মুক্কী মমাঙদা মপান শাদুনা কাকসি চরোং অনী পাল্লম্লগা লোইনা কেন্দুনা অমত্তা মহৈ য়ান্দ্রে। দুকান্দগী লৈদুনা ভিটামিন অমসু কাপখি। য়ারদি অৱাবসি অমুক্তা কোকহনবীয়ু।

\- সুরেস, থৌবাল

☞ অহানবা মপাল শাবা চহীদা য়োংচাক পানগন্দে। মপাল অহানবা শাবদা মহৈ য়ানবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা অমনি। অহুমশুবা চহী ফাওবগী মনুংদা পানৱা য়েংসি, পান্দ্রবদি মদুগী হীদাক কাপসি। ভিটামিনদি পাম্বীদা কাপ্পদে, পাম্বীনা শুংজগদবনি। য়োংচাক মপাল অহানবা শাবা মতমদা ফুট ৩০ ৱাংবা হায়বসি য়াম্না ৱাংমনখ্রে। হেকপা অমসুং হীদাক কাপ্পগী থৌরমশিংদা খুদোং চারোই। অহানবা মসা লোংফমগী (Crown height) মথক খরা চৎখৎলগা মতোন ককথৎহৌসি। ৱাবিরুনু মতম খরা ঙাইমিন্নসি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# খূৎশেমগী হারনা সোইলগী শীনবা হেনগৎহনবদগী করম্না ঙাকথোক্কনি

\- এস সুমঙ্গল -

সোইলগী পি ঐচ ($P^H$) হায়বসি লৈবাক লৈহাও অমগী অশিন অয়াক্কী চাং খঙনবা পথাপ অমনি। পথাপ অসিদা চাং ০-১৪ ফাওবা লৈ। পোৎশক অমগী পি ঐচ অসি ৭তা লৈরবদি শীনসু শীন্দবা অচম্বনি হায়না লৌই। তরেৎতগী হন্থরগনা অশীনবা অদুগা ৭তগী হেল্লগনা অয়াকপা হায়না লৌই। লৈবাক লৈহাও অমা হায়বসি য়াম্নসু শীন্দবা য়াম্নসু য়াক্তবা ওইরগদি অফবা লৈবাকনি হায়না লৌনৈ। মসিদা পাম্বী অয়াম্বনা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী। মালেমগী লৈবাক খরনা অয়াকপা অদুগা খরনা অশীনবা লৈবাক ওই। ঐখোয়গী মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও অসি মহৌশানা মরম কয়াদগী অশীনবা লৈবাক ওই। মহৌশানা শীন্দুনা লৈরবা লৈহাও অসি অতোপ্পা মরমশিং, মরু ওইনা খূৎশেমগী হার য়ুরিয়া, ডাইমো, এমোনিয়ম সলফেট, এমোনিয়ম ক্লোরাইদ অসিনচিংবা হারশিং শীজিন্নবনা অমুক্তসু হেন্না শীলহন্দুনা লৈবাক শুবা নুংঙাইহন্দে, পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে। হারশিং অসি লৈবাক্তা হাপ্পা মতমদা মসিদা য়াওরিবা এমোনিয়মশিং থাদোরকই। মসিগা ওক্সিজেনগা য়ানশিন্নরগা নাইত্রিফাইং বেক্টেরিয়াগী মতেংনা ফ্রী ওইবা হায়দ্রোজেন থাদোরকই। এসিদ শেমদুনা লৈবাক শীলহল্লি।

অসুম্না লিশাং শিৎনা হারশিং অসি শীজিন্নরকপা অদুগা হাপ্লীবা হারদুগী চাংগী মতুংইন্না হাপকদবা শুনুনা হাপহৌদবা তারগদি লৈবাক অদু অশীনবা লৈবাক ওইরকই। মরম অসি লৈবনা হাপ্লিবা হারগা চাননা হাপকদবা শুনুগী চাং খঙজিনবীদুনা মতম চানা শুনু হাপহৌদুনা ঐখোয়গী লৈবাকপু হেন্না শিনখিগদবদগী কলহৌবা য়াই। খুদম অমা য়েংসি। করিগুম্বা পি ঐচ ৫.৮ লৈবা লৈবাক অমদা লেপ্পুনা য়ুরিয়া চাইবা মতমদা চহী ৫গী মতুংদা পি ঐচ ৪.৯দা হন্থখিবা য়াই। মতমদুদা হান্নগী পি ঐচ ৫.৮দা হঞ্জিনহনবা মতমদা শুনু য়াম্নমক চঙবা তাবনি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা করিগুম্বা নাইট্রোজেন কিলো ১ চাইবা মতমদা হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ২.১৭ চাইবা মতমদা শুনু (কেলসিঅম কার্বোনেট ওইনা) কিলো ৬ চাইবা তারবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা লৌ পরি অমদা নাইট্রোজেন কিলো ৬০ হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ৬০ x ২.১৭ = ১৩০.২ চাইবা মতমদা শুনু কিলো ৩৬০ চাইবা মথৌ তাই হায়বনি। অমরোমদা লায়থোক্লা হায়রবদা য়ুরিয়া কিলো খুদিংগী শুনু কিলো ২.৭৬ চাইরবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই হায়বনি। মমাঙথক্তা হার শীজিন্নবা হৌরকপা মতমদা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়াগী ওইনা হারগী ময়াক খুদিংমকপু চমথোকহনবা ঙম্মী হায়না লৌনরম্বননি হায়বা তাই। অদুবু লৈবাক লৈহাও খুদিংমক্তা চমথোকহনবা ঙম্বগী মগুনসু খেন্নরিবনি। লৈতান লমনা চমথোকহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি লৈঙোই লমদগী হেল্লি। লৈবাক লৈহাওদা নিংথিনা পথ-পুমথরবা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবা লৈবাক্তা অমুক হারনা শীলহনবদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ। মরম অসিনা লৈবাক্তা কম্পোষ্ট হাপ্পা অসি পাম্বীদা কান্নবা য়াম্না পীবগী মথক্তা লৈবাক শীলহনবা ঙম্বা মখলগী হার চাইবনা লৈবাক শীলহনবদগী কান্নবা মচাক অমসু ওই।

মথক্তা থল্লিবশিং অসিনা অয়াম্বা নাইট্রোজেনগী হারশিংনি। অসি নত্তবা ফোসফোরসকী হারশিং খুদম ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, ট্রিপল সুপর ফোসফেটকী হারশিং অসিসু ফোসফোরিক এসিদ পুথোক্তুনা লৈবাক শীলহনবা ঙমই। দাইমো হায়নরিবা দাই এমোনিঅম ফোসফেটসু লৈবাক শীলহনবা ঙমই। অদুবু সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা শুনুগী চাং চাদা ২০ য়াওবা মরম্না অতৈদগী শাফবা ওই।

অসুম্না শুনু চাইদুনা নৎত্রগা ওর্গানিক মেটর মতিক চানা হাপ্তুনা লৈবাক শীন্দনবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লিশাং শিৎনা হার চাইবদগী লৈবাক লৈহাও শীনবনা করি অমাঙ অতা থোকপগে হায়বদু য়েংসি।

১) অশীনবা লৈবাক্তা নাপি হীদাক খরদি মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দে। খুদম ওইনা পারকুএট, ২-৪দি ফেনোল অসিনচিংবা নাপি হীদাকশিং অসি অশিনবা লৈবাক্তা কা হেন্না চূপশিনখিবনা কান্নবা ইফং ফংদে।

২) নাইট্রোজেন য়াওবা এমোনিয়াবু পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বা মওং নাইট্রেটতা ওন্থোকপা ঙম্বা নাইত্রিফাইং বেক্টেরিয়া অসি পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা হিংবা ঙমদে। অসুম্না অসিগুম্বা হিংকুপ অসি হিংবা ঙমদবা লৈবাক্তা এমোনিয়াগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা লৈনুংগী ঈশিংদা মোৎশিল্লকপগী খুদোংথীবা লৈ।

৩) কান্নরবা হিংকুপশিং খুদম ওইনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা রাইজোবিয়ম অমদি এজোটোবেক্টর হায়রিবা অনী অসি পি ঐচ ৬তগী হন্থরবদি হিংবা ঙমদে। হিংকুপশিং অসিনা হিংবা ঙমদবা মফমদা পাম্বীশিংনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

৪। শম্না হায়রবদা হারনা শীলহল্লবা লৈবাক লৈহাওদা পাম্বীগী তঙাইফদবা মচিঞ্জাকশিং :-
ফোসফোরস, বোরোন, কোপর অমসুং জিঙ্ক হায়রিবশিং অসিনা পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা লৈবা মতমদা অতোপ্পা মচলশিংগা য়ান্থোক য়ানশিন তৌখিদুনা পাম্বীনা ফংবা ৱাৎলি।

৫) পি ঐচনা অসুম্না ৫.৫গী মখাদা লৈখিবা মতমদা মেঙ্গানিজগা আইরনগা ঈশিংদা তুম্বগী চাং হেন্দুনা পাম্বীদা হূ ওইহন্দুনা পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে।

সাধারন ওইনা শম্না হায়রবদা লেৱিস অমসুং দেভিসনা কুমজা ১৯৭০দা ফোঙদোক্লম্বদা ওর্গানিক সোইল ওইগেরা মিনরেল সোইল ওইগেরা পাম্বীগী মচিঞ্জাক নিংথিনা ফংদুনা হৌবা ঙম্বা হায়বসি সোইল পি ঐচনা ৬.৫দগী ৭.৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মতমদনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়বসিনি।

থমজরিবা খরা অসি খন্থরগা অশীনবা হেনগৎহনবা হার মখলশিংসি চাইবা মতমদা মতম চানা শুনু খরা মথক্তা থমখিবা চাং হায়বদি নাইট্রোজেন কিলো অমগী চাং য়াওবা হার চাইবা খুদিংগী শুনু অসি (কেলসিঅম নাইট্রেট ওইনা) কিলো তরুক চাইবা তঙাইফদে। মতাং অসিদা তঙাইফদনা খঙদবা য়ারক্ত্রিবসি হারশিংসিদা নাইট্রোজেনগী চাং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বসিনি। নীংশিংজগে - য়ুরিয়াদা - কিলো ১০০দা নাইট্রোজেন কিলো ৪৬ য়াওই। দাই এমোনিঅম ফোসফেত্তা - কিলো ১০০দা কিলো ১৬-১৮ য়াওই। মসি খঙলবদি শুনু কয়া য়াম্না চাইগনি হায়বা খঙলে। অদুবু কৈদৌনুংদা হারগা শুনুগা য়ানশিন্নদুনা চাইবা য়াদে। শুনুদি পোৎ থাগদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা চাইদুনা লৈবাক্তা খোইজিনবীহৌগদবনি।

অমরোমদনা ওর্গানিক ওইবা হারশিং - ষন্থি-ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্টনচিংবা হারশিং শেমদুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবতা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনসি। শুবদা নুংঙাইবা, শীনবা হেনগৎপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা, লৈহাও লৈবা, চাথোক পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক ওইহন্দুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইহনসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শেঞ্জাও পায়বা, নুংঙাই-য়াইফবা লোয়ননা ভি আই পিশিংগী মচা-মশু অয়াম্বনা থৌবা গাড়ী খূৎথৌ য়েংবদা নুংঙাইতে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ইরমদম মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংগী দিষ্ট্রিক্ট অমনা হেন্না চাওবা পিকখ্রবা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা ষ্টেট অমনি। পিকখ্রবা ষ্টেট অসিদা অনৌবা এঞ্জিন পানবা গাড়ী পুথোরকপদা মণিপুরদা হান্না হেক্তা য়ৌরকই। অনৌবা গাড়ী লৈবদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ফেমিলিশিংগী মীওইশিংনা হান্না লৈরগা মচা-মশু তোংহনবনা অয়াম্বা ওইরমগদ্রা খল্লি। মচা-মশু খরনা থৌরিবা গাড়ী খূৎথৌ অসি অকিবা পোকপগা লোয়ননা য়েংবদা নুংঙাইতে। লৈঙাক্লা হৌজিক্তি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে হায়রবনিনা ইম্ফাল ময়োল, হার্ট ওফ টাউন্দা লৈবা মথক্কী ফেমিলিশিংগী মীওইশিংনা (শেঞ্জাও পায়বা, নুংঙাই য়াইফবা অমদি ভি আই পিশিং) মখোঙ মরি পানবা গাড়ীশিংনা ইম্ফালগী ময়োলদা লৈবা ওফিসশিং, বেঙ্কশিং মরু ওইনা মণিপুর সেক্রেটেরিয়েট, পোষ্ট ওফিস, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি, ভেটিরিনরি, এগ্রিকলচর, পি দব্লিয়ু দি, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অসিনচিংবা কয়াদা থবক তৌরিবা লোয়ননা থিকাদার অসিনচিংবা কয়াগী মীওইশিংনা মিনিষ্টরনা ওফিস চৎপদা সাইকল শীজিন্নবগুম, লৈঙাক্কী রিং রোদ প্লান লোইদ্রিবা ফাওবদং সাইকল নৎত্রগা খোঙনা নৎত্রগা ওটোনা চৎলবদি ট্রাফিক জাম, রোদ এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংসু হন্থগনি। মপান্দা চৎখিগদবা থাওগী শেনফমসু খরমখৈ কনবা ঙমগনি, পোল্যুসন হন্থগনি, ট্রাফিক পার্কিংগী প্রোব্লেমসু হন্থগনি, মী শিবগী চাংসু হন্থগনি। নুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমদা চাকা অনী পানবা য়াওদনা চাকা মরি পানবা গাড়ী ৪/৫ লৈরম্বা য়াই। হৌজিক ষ্টেটসিগী মীশিং লাখ কুন্থ্রারোম শুরম্বা য়াই। এঞ্জিন পানবা গাড়ী লাখ মঙারোম শুরম্বসু য়াই। এঞ্জিন পানবা গাড়ীদি অয়াম্বনা ইম্ফাল ময়োল, হার্ট ওফ টাউন্দা লৈরম্বা য়াই।

অরোইবদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী রিং রোদ প্লান লোইদ্রিবা ফাওবদং মিনিষ্টরনা সাইকলদা চৎপগুম চৎলবদি ট্রাফিক জাম অমদি রোদ এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং খরদি হন্থগনি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।